# মেঘালয়াদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ৩৭৯ থেংনখ্রে

শিল্লোং, জুন ০৮ (এজেন্সী):
হৌখিবা পুং ২৪দা মেঘালয়াদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৩৭৯ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়না লাইচৎ অসিনা মীওই ৯ শিহনখ্রে হায়না নেসনেল হেল্থ মিসন মেঘালয়াগী দেটা অমনা ফোঙদোরক্লি।

দেটা অসিগী মতুংইন্না মেঘালয়াদা হৌজিকফাওবগী ওইনা কোভিদ-১৯না শোকহনখিবা অপুনবা মশিং ৩৯,৫৩৫ শুখ্রে। অদুগা ঙসি শিখিবা মী মশিং অদু থারগা হৌজিকফাওবগী ওইনা পুন্না শিখিবা মশিং ৬৭৮ শুখ্রে। হায়রিবা মতম অসিদা মীওই ৭৭৩না কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎতগী মপুং ফানা রিকভর তৌবা ঙমখ্রে হায়রি। মেঘালয়াদা পুন্না থেংনখিবা কেস মশিং ৩৯,৫৩৫গী মনুংদা ৩৩,৯৩৩ রিকভর তৌখ্রে। মেঘালয়াদা হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯গী এক্টিভ কেস ৪,৯২৪ লৈরি।

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ ঙাকথোক্লবগীদমক ভেক্সিনেসনগী থবকসু লেপ্পা লৈতনা চখ্খরি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবদা ষ্টেট অদুগী মীওই ৪,৭৮,১৮০দা কোভিদ-১৯গী দোজ কাপথোকখ্রে। মেঘালয়াদা মমাঙ চয়োলগা য়েংনরুবদা হন্দক্লা কোভিদ-১৯ শন্দোকপগী চাং খরমখৈদি হন্থরক্লি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ষ্টেট অদুদা কোভিদকী অনৌবা কেস ৪৩৮ থেংনখি অদুগা ৯না শিহনখি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী ওইনসু কোভিদ লাইচৎ শন্দোকপগী চাং য়াম্না হন্থরক্লি। হৌখিবা পুং ২৪দা লৈবাক অসিদা কোভিদকী কেস মশিং শুপ্নতগী ৮৬,৪৯৮ থেংনখিবগা লোয়ননা এক্টিভ কেস মশিং ১৩,০৩,৭০২দা হন্থরখ্রে।



মিজোরামগী আইজোল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মুইফাংদা লৈবা আইজোল-লুংলৈ রোদ লেন্দস্লাইদ থোকপদগী নুঙ অমদি লৈনাঙনা ফুমজিন্দুনা চৎপা য়াখিদ্রবা মতুং ২৩ সেক্টর আসাম রাইফলস লুংলৈ বট্টালিয়নগী পর্সনেলশিংনা শেংদোক্লবা হোৎনখিবা

# গভর্ণমেন্ট ওফিস খুদিংমক্তা পি এম মোদিগী পোরট্রেট থম্লগনি

গুৱাহাতি, জুন ০৮ (এজেন্সী):
আসামগী গভর্ণমেন্ট ওফিস খুদিংমক্তা প্রাইম মিনিষ্টর, প্রসিদেন্ট অমসুং আসামগী অহানবা চীফ মিনিষ্টর গোপিনাথ বোর্দোলোইগী পোরট্রেটশিং উৎননবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ৱারেপ লৌখ্রে। ৱারেপ অদু চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিশ্ব শর্ম্মনা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবা মরীশুবা কেবিনেট মীফমদা লৌখিবনি।

মীফম অদুদা অতে মরুওইবা ৱারেপ কয়াসু লৌখি। মীফম অদুদা লৌখিবা ৱারেপশিংগী মনুংদা চহী খুদিংগী খুন্নাইদা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবা মীওইদা 'অসোম রত্ন এৱার্দ' পীবগী ৱাফমসু য়াওখি। এৱার্দি অদুদা লুপা লাখ ৫গী শেনফম পীগদবনি। 'অসোম বিভুসন এৱার্দ' অসিনা চহী খুদিংগী মীওই ৩দা পীগনি। এৱার্দ অসিদা লুপা লাখ ৩গী শেনফম য়াওগনি। 'অসোম ভুসন এৱার্দ'না চহী খুদিংগী মীওই ৫দা পীগনি। এৱার্দ অসিদনা লুপা লাখ ২গী শেনফম য়াওগনি।

কেবিনেটনা 'অসোম শ্রী এৱার্দ' পীবগী ৱাফমসু খন্নখি। এৱার্দ অসি চহী খুদিংগী মীওই ১০দা পীগদবনি। এৱার্দ অসিদা লুপা লাখ ১গী শেনফম য়াওগনি। লিটরেরি পেন্সনসু ষ্টেট অসিগী মশক নাইরবা লিটরেটর হোমেন বোর্গোহাইনগী মপোক নুমিৎ দিসেম্বর ৭তা চহী খুদিংগী পীরগনি। আর্টিষ্ট এৱার্দনা চহী খুদিংগী জন্যুৱারী ১৭তা পীগনি।

কেবিনেটনা লৌখিবা ৱারেপ মতুংইন্না স্পোর্টস পেন্সন আর্জুন বোগেশ্বর বরুৱাগী মপোক নুমিৎ সেপ্টেম্বর ৭তা পীগনি। এৱার্দশিং য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোক্কদবা নুমিৎ ৭নিগী মাঙওইননা লাউথোক্কনি। বটাদ্রভা থান কলচরেল এন্দ টুরিজম প্রোজেক্টকী মখাদা মেনেজমেন্টতা লম মচেৎ অমা পীরগনি। কলচরেল মিনিষ্টর বিমাল বোরানা সাইট অদুদা চৎতুনা থা খুদিংগী প্রোজেক্ট অদু রিভিয়ু তৌগনি।

মীফম অদুদা দরং দিষ্ট্রিক্টকী গোরুখুতি, সিপাইঝারদা লম খোপচীনবশিংদগী লৌবা গভর্ণমেন্ট লম বিঘা ৭,০০০ শীজিন্নবগী মতাংদা কম্মিটি অমসু কেবিনেট মীফম অদুদা শেমখি। লমশিং অদু মরুওইনা লৌউশিংউগী হীরমদা শীজিন্নগদৌরিবনি। কম্মিটি অদু এম এল এ পদ্মা হজারিকানা লুচিংগনি।

কোইলা পুবা ট্রকশিংদা লোদকা হেন্না হাপচিনবগী থৌওংশিং কন্ট্রোল তৌনবগীদমক কেবিনেটনা দিঘারখল অমসুং শ্রীরামপুরগী ইন্টর-ষ্টেট বোর্দরশিংদা ট্রকশিংগী অরূন্বা চেক তৌবা হায়বসি শোয়দনা পাঙথোকহন্নবা ৱারেপ লৌখি।

# ট্রিপুরাদা লুপা লাখ ৩০ রোমগী ওইগদবা গঞ্জা কেজি ৬১৩ ফারে

অগরটালা, জুন ০৮ (এজেন্সী):
ৱেষ্ট ট্রিপুরা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মুঙ্গিয়াকামিদা আসাম য়ৌগদবা ট্রক অমদগী য়াম্লবা গঞ্জা অকংবা কেজি ৬১৩ পুলিসনা ফাখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্তা মুঙ্গিয়াকামি পুলিস ষ্টেসননা কোনবা নেসনল হায়ৱে ৮দা চেল্লীবা গাড়ীশিং চেক তৌবদা লোরি অমদগী অথিংবা থম্বা পোৎশক অদু পুলিসনা ফাখিবনি। লোরি অদু ট্রিপুরাগী আগরটলাদগী আসাম তম্না লাকখিবনি। ফারিবা গঞ্জা অদুগী মার্কেট ভেল্যু লুপা ৩০,৭৫,০০০ রোম ওইগনি। গাড়ী অদুগী দ্রাইভর সঞ্জিভ দেবভর্মা (৩৫) অমসুং মহাক্কী এসিষ্টেন্ট সঞ্জিৎ দেবভর্মা (৩৪)সু ফাখি। মখোয় অনীমক নার্কোটিক দ্রগস এন্দ সাইকোট্রোপিক সবষ্টেন্সেস এক্ট, ১৯৮৫গী মখাদা বুক তৌখি। মীওই অনী অসি ট্রিপুরাগী খ্বাই সব-দিভিজনদগীনি।

হায়ৱেদা গঞ্জা ফারিবা পুলিস টিম অদুদা টেলিয়ামুরা সব-দিবিজনেল পুলিস ওফিসর সোনা চরন জামাতিয়া, মুঙ্গিয়াকামি পুলিস ষ্টেসনগী ও সী ধ্রুবজোই রিয়াঙ অমসুং এস আই রঞ্জিৎ দাস য়াওখি।

# এন এস সী এন-আই এমনা কার্বি একোর্দ য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

দিমাপুর, জুন ০৮ (এজেন্সী):
সেন্টর, আসাম গভর্ণমেন্ট অমসুং সরেন্দর তৌরবা কার্বি লালহৌবা গ্রুপ ৬কী মরক্তা খুৎয়েক পীননবা থৌরাং তৌরিবা কার্বি একোর্দ এন এস সী এন-আই এমনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

হন্দক্তা আসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মনা কার্বি একোর্দ অদু চয়োল অসিগী মনুংদা খুৎয়েক পীনরবা য়াই হায়না লাউথোকখ্রবনি। এন এস সী এন-আই এমনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়রক্লি মদুদি, রেংমা নাগাশিং ভিক্টিমাইজ তৌবা এগ্রিমেন্ট অমত্তা আউটফিট অসিনা য়ারোই। রেংমা নাগাশিংবু ভিক্টিমাইজ তৌগদবা এগ্রিমেন্ট অমত্তা নাগাশিংনা মরু ওইনা এন এস সী এননা য়াবা ঙম্লোই হায়বসি গ্রুপ অসিনা ময়েক শেংনা মরী লৈনবশিংদা খঙহল্লি হায়না চেরোল অদুদা পনখি।

রেংমা নাগাশিং অসি হান্না রেংমা হিল্স হায়না খঙনরম্বা কার্বি আংলোংগী অশেংবা য়েলহৌমীশিংনি হায়না পল্লদুনা এন এস সী এন-আই এমনা হায়, গ্রুপ অসিনা রেংমা নাগাশিংবু পুৱারীদা য়াওরিবা মখোয়গী অচুম্বা ষ্টেটস খন্নবা তৌদনা তাম্থোকপগী থৌওং লৈহল্লোই।

# প্রেসর অমত্তগী মখাদা অলফা (আই) না সেন্টরগা হীরম অমত্তদা ৱারী শাবগী থবক চখরোই: রুমেল অসোম

গুৱাহাতি, জুন ০৮ (এজেন্সী):
য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসোম - আইনা করিগুপ্পা প্রেসর অমত্তগী মখাদা সেন্টর অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মীহুৎশিংগা ৱারী শাবগী থবক তৌরোই হায়না অলফা-আইগী পব্লিসিটি ৱিং মেম্বর লেফটনেন্ট রুমেল অসোমনা ফোঙদোরকখ্রে।

মহাক্না ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না চহী অসিগী মে ১৫দা অলফা-আই অমসুং লৈঙাক অনীগী মরক্তা সিজ ফায়র তৌনখিবনি। মদুগী মতুং লালহৌলুপ অসিগী য়ুনিট অমত্তনা অরানবা থবক তৌখিবা লৈত্রি। মমাঙ থাদা তৌনখিবা সিজ ফায়র অদুগী চৎন-কাঙলোন ঙাক্না চৎলিবা লুপ অসিদা অরানবদা য়ুম্ফম ওইবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্লিবা অসি লাইবক থীবনি।


অলফা-আইনা লৈঙাক্না য়ানবা পুরকখ্রবা মতুং হৌজিক ফাওবদা নমদুনা শেল খায়বগী থবক চখখিবা লৈত্রি। অদুবু মায়কৈ খরদগী লুপ অসিনা মীয়ামদগী নম-হাদুনা শেল খোমগৎপগী থবক চখরে হায়না শন্দোরক্লিবা অসি লাইবক থীবনি। মসি ইন্দিয়ন আর্মি অমসুং আসাম পুলিসনা অলফা-আইবু মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনবনি। মসিদা মীয়াম্না থাজবিদনবা আপীল তৌরক্লি।



রুমেল অসোমনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা, অলফা-আইগী লুচিংবশিংনা লৈঙাক্না সিজ ফায়র তৌনখিবা অদু লমদম অসিদা ইং-তপ্পা অমদি মীয়ামগী থাজবা মতুংইন্না তৌখিবনি। অলফা-আইনা মীয়ামগী থাজবা কৈদৌনুংদা মাঙহল্লোই। মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না ঙসি ফাওবদা লুপ অসিনা থবক তৌদুনা লাক্লি। ইং-তপ্পা অমসুং থাজবা লৈত্রবা মফমদা অলফা-আইনা থবক তৌবা পামদে। করিগুপ্পা সেন্টর অমদি ষ্টেটকী এজেন্সীশিংনা অলফা-আইবু মখা তানা মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনরক্লবদি মমাঙ থাদা সিজ ফায়র তৌনখিবা অদুদা য়ানখিবশিং ঙাক্না চৎলক্কবা য়াই। মরম অদুনা সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্না হীরম অসিগী মতাংদা ৱাখল মুন্না খন্থরবা মতুংদা থবক পায়খৎপনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি হায়রি। লৈঙাক অমসুং অলফা-আইনা য়ানখ্রবা মতুং ইনিদয়ন আর্মি অমদি ষ্টেট পুলিসনা য়ানখিবশিং অদুগী মায়োক্তা ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্লিবা অসিগী মতাংদসু সেন্টরনা অহেনবা মীৎয়েং চঙ্গদবনি। করিগুপ্পা মখা তানা লুপ অসিদা ষ্টেট নৎত্রগা সেন্টরগী এজেন্সীশিংনা মরাল শীনবা হোৎনরক্লবদি ৱারী শাবগী থবক খুদক্তগী লেপকনি।

অলফানা আসামগী ইন্টরেষ্টকা মরী লৈনবা থবক থৌরমদা কৈদৌনুংদা নেগোসিএট তৌরোই। লমদম অসিগী মীয়াম্না মনীং তম্না অমদি চাওখৎপরোমদা মায় ওনশিন্দুনা হিংনবা হোৎনবদা অলফানা মতম চুপ্পদা মতেং পাংদুনা লাক্লি। মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক অলফা-আইগী মেম্বরশিংনা শিবা কিদে। মখোয়গী মশাদা শিবা হায়বা ৱাহৈসিগী ৱাহন্থোক মীয়ামগী নুংঙাইবনি হায়রি।

# CROSSWORD-3804



## ACROSS

1 Fundamentals (6)
4 Shrewd (6)
8 Meadow (5)
9 Stretchy (7)
10 Full (7)
11 Amalgamate (5)
12 Unconventional type (9)
17 Of the nose (5)
19 Of less weight (7)
21 Make clear (7)
22 Oak nut (5)
23 Miscellaneous (6)
24 Ball game (6)

## DOWN

1 In front of (6)
2 Spire (7)
3 Scrounge (5)
5 Speech defect (7)
6 Say (5)
7 Go beyond (6)
9 For ever (9)
13 Coal miner (7)
14 Reduce (3,4)
15 Light meals (6)
16 Dried plums (6)
18 European country (5)
20 Fruit of vine (5)

**Solution 3803**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| R | E | L | Y | | A | P | E | R | I | T | I | F |
| U | | E | | G | | I | | O | | W | | U |
| T | R | A | W | L | E | R | | B | U | O | Y | S |
| H | | S | | A | | A | | I | | S | | S |
| L | A | T | I | N | | C | A | N | N | O | N | |
| E | | | | C | | Y | | | | M | | R |
| S | I | M | M | E | R | | B | R | E | E | Z | E |
| S | | I | | | | A | | E | | | | T |
| | F | R | U | G | A | L | | F | E | M | U | R |
| O | | A | | R | | C | | U | | O | | I |
| M | A | C | H | O | | O | B | S | C | U | R | E |
| I | | L | | A | | V | | E | | R | | V |
| T | R | E | A | T | I | E | S | | K | N | E | E |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-3603

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | | 9 | | | 3 | | | |
| | | | 7 | | | 2 | 8 | |
| | 8 | | | | 4 | 3 | | |
| | | | | | 7 | | | 5 |
| 9 | 3 | | | | | | 4 | 2 |
| 1 | | | 5 | | | | | |
| | | 7 | 2 | | | | 3 | |
| | 1 | 8 | | | 6 | | | |
| | | | 3 | | | 5 | | 4 |

## Solution-3602

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 8 | 7 | 1 | 9 | 6 | 3 | 5 | 4 |
| 4 | 1 | 6 | 3 | 5 | 7 | 9 | 2 | 8 |
| 9 | 3 | 5 | 8 | 4 | 2 | 6 | 7 | 1 |
| 7 | 5 | 2 | 9 | 8 | 3 | 4 | 1 | 6 |
| 3 | 4 | 1 | 7 | 6 | 5 | 2 | 8 | 9 |
| 6 | 9 | 8 | 2 | 1 | 4 | 7 | 3 | 5 |
| 5 | 2 | 4 | 6 | 7 | 1 | 8 | 9 | 3 |
| 1 | 7 | 9 | 4 | 3 | 8 | 5 | 6 | 2 |
| 8 | 6 | 3 | 5 | 2 | 9 | 1 | 4 | 7 |

# EMPLOYMENT NEWS

DSSSB Recruitment 2021 Apply Online for Teacher and Non Teaching Posts: IndGovtJobs.in updates all latest DSSSB advertisements and upcoming Vacancy notifications in this page.Government of NCT of Delhi, Delhi Subordinate Services Selection Board (DSSSB) invites online applications for recruitment of Trained Graduate Teachers, Assistant Teachers, Junior Secretariat Assistant, Counsellor, head Clerk and Patwari under different departments under Govt. of NCT of Delhi. The DSSSB Advertisement Number 02/2021 online registration will be start from 25th May 2021 and scheduled to be held on 24th June 2021.

ADVERTISEMENT NO. 02/2021
Name of the Post
Total Vacancies
Trained Graduate Teacher (Hindi) (Female) in Directorate of Education
551
Trained Graduate Teacher (Hindi) (Male) in Directorate of Education
556
Trained Graduate Teacher (Natural Science) (Male) in Directorate of Education
1040
Trained Graduate Teacher (Natural Science) (Female) in Directorate of Education
824
Trained Graduate Teacher (Maths) (Female) in Directorate of Education
1167
Trained Graduate Teacher (Maths) (Male) in Directorate of Education
988
Trained Graduate Teacher (Social Science) (Male) in Directorate of Education
469
Trained Graduate Teacher (Social Science) (Female) in Directorate of Education
662
Trained Graduate Teacher (Bengali) (Male) in Directorate of Education
01
Assistant Teacher (Primary) in Directorate of Education
434
Assistant Teacher (Nursery) in Directorate of Education
74
Junior Secretariat Assistant (LDC) in Municipal Corporation of Delhi
278
Counselor in Department of Women & Child Development
50
Head Clerk in Delhi Urban Shelter Improvement Board
12
Assistant Teacher (Primary) in New Delhi Municipal Council
120
Patwari in Delhi Urban Shelter Improvement Board
10
Age Limit:
Trained Graduate Teachers: Below 32 years
Assistant Teachers: Not exceeding 30 years
Junior Secretariat Assistant: 18 - 27 years
Counselor: Not exceeding 30 years
Head Clerk: Not exceeding 30 years
Assistant Teacher: Not exceeding 30 years
Patwari: 21 - 27 years
Pay Scales:
Trained Graduate Teachers: Rs 9300 - 34800 + GP Rs 4600/-
Assistant Teachers: Rs 9300 - 34800 + GP Rs 4200/-
Junior Secretariat Assistant: Rs 5200 - 20200 + GP Rs 1900/-
Counselor: Rs 9300 - 34800 + GP Rs 4200/-
Head Clerk: Rs 9300 - 34800 + GP Rs 4600/-
Assistant Teacher: Rs 9300 - 34800 + GP Rs 4200/-
Patwari: Rs 5200 - 20200 + GP Rs 2000/-
Educational Qualifications:
Trained Graduate Teachers: Bachelor's Degree / BA or equivalent qualification in required relevant subjects with 45% marks in aggregate.
Assistant Teachers (Nursery): Senior Secondary School (12th Class) or Intermediate or its equivalent qualification pass with atleast 45% marks. Diploma certificate in Nursery Teacher Education Programme or B.Ed. in Nursery.
Junior Secretariat Assistant: Matriculation / 10th class / Secondary School exam Pass. Ability to type at a speed of not less than 35 words per minute in English or 30 words per minute in Hindi on Computer.
Counselor: Bachelor's Degree in Psychology / Applied Psychology. Post Graduate Diploma in Counseling Psychology. Minimum 01 years experience (OR) Post Graduate in Psychology / Counseling Psychology / Clinical psychology / Applied Psychology.
Head Clerk: Bachelor's Degree. Computer Proficiency.
Assistant Teacher (Primary): Senior Secondary or its equivalent qualification with at least 50% marks. Minimum 02 years Diploma in Elementary Education (OR) Senior Secondary or its equivalent qualification with at least 43% marks. Minimum 02 years Diploma in Elementary Education.
Patwari: Bachelor's Degree or equivalent qualification.
Selection Process:
One Tier Examination
Two Tier Examination
Examination Fee:
100/- only for General and OBC category candidates.
No fee for SC, ST, PWD and Ex-servicemen candidates.
The candidates submitting their application online should pay the requisite fee only through SBI e-pay.
How to Apply: Eligible Interested candidates must apply online through DSSSB Delhi Online Application Portal (dsssbonline.nic.in) from 25th May 2021. The last date for submission of online application is up to 24/06/2021 till 11:59 PM.

DFCCIL Recruitment 2021 www.dfccil.gov.in: Dedicated Freight Corridor Corporation of India Limited (DFCCIL) invites online applications from eligible candidates for recruitment of following Junior Manager, Executive and Junior Executives in various disciplines. The last date for registration of online applications is 23rd May 2021. Due to 2nd wave of COVID-19, the last date for registration of online application has been extended up to 23rd July 2021.
Advertisement No. 04/2021
Name of Post
Total Vacancies
Junior Managers
111
Executives
442
Junior Executives
521
Discipline wise Vacancies:
Junior Managers: Civil - 31, Operations & BD - 77, Mechanical - 03.
Executives: Civil - 73, Electrical - 42, Signal & Telecommunication - 87, Operations & BD - 237, Mechanical - 03.
Junior Executives: Electrical - 135, Signal & Telecommunication - 147, Operations & BD - 225, Mechanical - 14.
Age Limit: (As on 01/01/2021)
18 to 30 years for Executive and Junior Executive posts.
18 to 27 years for Junior Manager.
Pay Scales:
Junior Managers: ? 50,000 - 1,60,000 (E-2)
Executives: ? 30,000 - 1,20,000 (E-0)
Junior Executives: ? 25,000 - 68,000 (N-5)
Educational Qualifications:
Junior Managers:
(1) For Civil / Mechanical: Bachelor's Degree (B.E.) in Civil Engineering with not less than 60% marks in aggregate.
(2) For Operations & BD: 02 years MBA / PGDBA / PGDBM / PGDM in Marketing / Business Operation / Customer Relation / Finance with not less than 60% marks in aggregate.
Executives:
(1) 03 years Diploma in relevant engineering discipline.
(2) For Operations & BD: Graduation (Bachelor's Degree) with not less than 60% marks.
Junior Executives:
(1) Matriculation / 10th class pass with not less than 60% marks in aggregate.
(2) Minimum 02 years ITI year duration Course Completed Act Apprenticeship/ ITI approved by SCVT/ NCVT in any relevant trade.
Selection Process:
Computer Based Test (CBT)
Document Verification
Interview
Medical Test
Application Fee:
1000/- for Junior Manager, Rs. 900/- for Executive and Rs. 700/- for Junior Executive posts.
No fee for SC / ST / PwBD / Ex-Servicemen candidates.
The fee can be made through online mode only using Debit card, Credit cards or Internet Banking through SBI MOPS.
How to Apply: Eligible candidates are required to apply online through DFCCIL official website (dfccil.com) from 24th April 2021. The Candidates should have a valid personal e-mail ID and Mobile number. The last date for registration of online applications is 23/05/2021 up to 23:45 Hours. The last date for registration of online application has been extended up to 23/07/2021 till 23:45 Hours.







